ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

ইম্ফাল তুরেলগী তোর্ব্বান কায়দুনা চেনশিল্লকপা ঈশিংনা কোনুং মমাংদা লৈবা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফাল থুমজিনবগী শক্তম অমা

লামায় ১

নম্বুল তুরেলগী ঈশিং চিথোকফম ওইরিবা য়াঙ্গৈই তুরেল তেংবদা লোক্তাক প্রোটেক্সন ফোর্সকী টিম অমনা মতেং পাংবা ওইনা পেট্রোলিং চৎপা

ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা চেক্কোনদা ইম্ফাল তুরেলগী তোর্ব্বান কায়রিবা মফম এম এল এ ওক্রম হেনরিনা ৱার্করশিংগা পূন্না থবক তৌমিন্নবা

লামায় ১

পেলেস কম্পাউনদা লৈবা এ আই আর ইম্ফাল ঈশিং থুমজিনখিবদগী ঈ-পাউগী থবকশিং ময়াং ইম্ফাল হায় পাৱর ট্রান্সমিসনদগী পাউ পাবগী শক্তম

লামায় ১

Vol. 42, Issue No.082 শগোলশেন, ইঙা নোংমা পানবা, অপূনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Thursday, June 14, 2018, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

ঈচাওনা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা অৱাবা মায়োক্লুরে

ইম্ফাল তুরেলগী মফম ৫, কোংবা তুরেলগী মফম ৫ য়াওনা মফম ১২ দা তুরেল কায়রে, মীওই ২ শিখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস):

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা য়াইমরপ কন্না চুখিবা নোংনা মরম ওইরদুনা তম্পাক লমদা চেনবা তুরেলগী তোর্ব্বান মফম ১২ দা কায়রে। ঈচাও অসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা মীয়াম অৱাবা মায়োক্লুরে।

হৌখিবা অহিংদগী ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাওবদা তুরেলগী তোর্ব্বান কায়খিবশিং অদুদি, ইম্ফাল তুরেলদা মফম ৫, কোংবা তুরেলদা মফম ৫, থৌবাল তুরেলদা মফম ২, পূন্না তুরেল তোর্ব্বান ১২ নি। হৌখিবা নোংয়াই মতুং পুং ৩ তাবদা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা চেক্কোন মপাদা ইম্ফাল তুরেলগী নোংপোক থংবা তোর্ব্বান কায়বদগী ওফিসর কোলোনি, ওফিস অমদি স্কুলশিং য়াওনা ঈশিং থুমখ্রে। যূম কয়াসু ঈশিং থুমজিনখিবদগী মীওই কয়া লৈফম লৈতদুনা খঙন-চানবা অমদি অতোপ্পা মফমশিংদা শৈদাংফম লৌদুনা লৈরি।



ক্যামগৈ অৱাং লৈকায়দসু ইম্ফাল তুরেলগী নোংপোক থংবা তোর্ব্বান কায়বদগী মফম অদুদা লৈবা যূম অমদি লৌফম কয়া ঈশিং থুমখ্রে। হায়রিবা মফম অসি মমাংগী চহীদসু কায়খিবা মফমনি। হাওরৈবী অৱাং লৈকায় মপাদসু ঙসি অয়ূক ইম্ফাল তুরেলগী লিলোংগী অৱাং থংবা তোর্ব্বান কায়বদগী যূম অমদি লৌফম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। উচিৱা ৱাংবা সোইবম লৈকায় অমদি উচিৱা নাসতাও হায়রিবা খুল অসিদসু ইম্ফাল তুরেলগী তোর্ব্বান মফম অনীদা কায়দুনা যূম, লৌ অমদি ঙাগী ফার্ম কয়া ঈশিং থুমখ্রে হায়রি।

কোংবা তুরেলদসু ঙসি অয়ূক অঙনবদা কোংবা উচেক্কোন য়ু ৱাই এ সী গ্রাউন্দ মপাদা তুরেল তোর্ব্বান কায়বদগী মফম অদুদা লৈবা যূম অমদি লৌফম কয়া ঈশিং থুমখ্রে হায়রি। মসিদা নৎতনা কোংবা ইরোং, মুস্লিম খুলগী এরিয়াদসু মফম ৪ দা কোংবা তুরেলগী তোর্ব্বান কায়বদগী মফম অদুদা লৈবা যূম অমদি ঙাগী ফার্ম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখ্রে হায়রি।

থৌবাল তুরেলগী ওইনা মাইবম অমদি ইরোং মখা লৈকায়নচিংবদা মফম ২ ঙসি অয়ূক অঙনবদা তুরেলগী তোর্ব্বান কায়বদগী যূম, ঙাগী ফার্মনচিংবা ঈশিংনা থুমজিনখ্রে হায়রি। হৌজিক ঈশিং থুমজিনখ্রবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ১৩ অদুদি ৱাঙ্খৈ, থোংজু, কৈরাও, লংথবাল, পাৎসোই, কোন্থৌজম, ৱাবগাই, নম্বোল, উরিপোক, সগোলবন্দ, কৈশামথোং, সেকমাই অমদি থৌবাল এ সীনচিংবনি।

চেক্কোনদা ইম্ফাল তুরেলগী তোর্ব্বান কায়খিবনা মরম ওইরদুনা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিস্বজিৎকী ক্বার্টর ঈশিং থুমজিনখ্রে। এম এল এ, চীফ সেক্রেটরি, দি জি পি অমসুং মশক নাইবা আই এ এস ওফিসর কয়ামরুমগী ক্বার্টরশিংসু ঈশিং থুমজিনখ্রে। সঞ্জেন্থোংদা লৈবা লৈঙাক্কী মরুওইবা লোইশঙ পূন্নমকসু ঈশিং থুল্লে। এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট, ফোরেষ্ট, হোর্টিকলচর, ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টশিং ঈশিং থুমখিবতা নৎতনা সীটি কনভেন্সন সেন্টর, সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুল, অনন্দ সিংহ একাদেমি, মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন, ভৈগ্যচন্দ্র ওপন এয়র ঠিএটর, সনা কোনুং, গোবিন্দজী টেম্পল, মহারাজ বোধচন্দ্র কোলেজ ঈশিং থুন্বদা য়াওখ্রে।

সঞ্জেন্থোং ওফিসর কোলোনিদদি ঈশিংগী ঈমায় অসি থজিন য়ৌরে। মফমসিদা ক্বার্টর ওইনা লৈরম্বা মীওই পূম্নমক শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকখ্রে। ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাওবদা মফমদুদগী হাইদোরকপা ঈশিংনা সোইবম লৈকায়, নোংমৈবুং, পোরোম্পাৎ লম্বী, জেনিমস হোস্পিটালগী কেম্পস মনুং, পেলেস কম্পাউন্দ, বামোন লৈকায়, ৱাঙ্খেনচিংবা থুমজিনখ্রে।

ঈচাও অসিনা মরম ওইরদুনা সঞ্জেন্থোং লানবা থিংখ্রে। সঞ্জেন্থোংদগী কোনুং মমাং ট্রাফিক আইলেন্দ ফাওবগী লম্বীদা গাড়ী মচা অমদি অচৌবশিং লান্থোক লানশিন তৌবা থিংখ্রে। মসিনা মরম ওইরদুনা মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিন্দা চাওনা অপনবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন তুরেল কায়বা থিংবদা শরুক য়াখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ন্যু চেক্কোনগী মফম অমদা ইম্ফাল তুরেলগী তোর্ব্বান কায়রিবা মফম অদু মেনশিন্নবা মণিপুর পুলিসকী পর্সনেলশিংনা হোৎনরিবা অদুদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন অমসুং ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হকথেংননা শরুক য়াখ্রে।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি মদুদি, তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কায়রিবা তুরেলগী লৌনম্বালশিং অথুবা মতমদা শেমজিন্নবগীদমক্তা গভর্ণমেন্টনা পায়খৎপা য়াবা থবক খুদিংমক পায়খৎলি। হিরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল ফোর্সকী কাঙবুশিংবু লোকলশিংদা ঙসি অয়ুক অঙনবদগী মতেং পাংহনখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, ন্যু চেক্কোনগী মফম অমদা তোর্ব্বান চাউনা নীংখায়বদগী কেপিটেল সিটিগী মফম কয়াদা ঈচাও থোকহনখ্রে। মরী লৈনবা ওফিসলশিং অমসুং নৌনা লৌবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৪.৫১
দীজল : লিটরদা লুপা ৬৫.৯২

ইলেক্ট্রিসিটি হেল্পলাইন

ইম্ফাল, জুন ১৩ : মণিপুর ষ্টেট পাৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদনা কঞ্জুমরশিংগী ওইনা ইলেক্ট্রিসিটি হেল্পলাইন নম্বর ১৯১২ হাংদোক্তুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরিবা অসিগী মথক্তা ঈচাও অসিগী য়েংলগা অতোপ্পা হেল্পলাইন নম্বর অহুম অমগসু মীয়ামদা লাউথোরক্লি। টেলিফোন নম্বরশিং অদুদি ৭৬৪০০৮১২৩২, ৭৬৪০০৮১২৩৫ অমসুং ৭৬৪০০৮১২৩৮ নি। হীরম অসিগী মতাংদা এম এস পি দি সী এলগী মেনেজিং দিরেক্টরনা চেরোল অমা থোকখ্রে।

ইথাই বরাজ হাংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ : ইম্ফাল তুরেলগী ঈশিংগী ঈমায় হেনগৎলক্লিবা অসি য়েংলগা ইথাই বরাজগী গেট মঙামক হাংদোকখ্রে। হৌজিক-হৌজিক বরাজ অসিগী গেট পূম্নমক্তা ঈশিং চেল্লি। বরাজ অসিদা লৈরিবা ঈশিংগী লেবেলসু য়াম্না কুপ্না মোনিটর তৌরি হায়না এন ঐচ পি সীগী মেনেজর (ঐচ আর) রাজেশ কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	২৮.৫৮ °C	২২.৫০ °C
চান্দেল	২৮.১২ °C	১৯.৫১ °C
সীসীপুর	২৯.৯৮ °C	২০.৮৭ °C
ইম্ফাল	২৫.৪৬ °C	২২.০৮ °C
সেনাপতি	২২.০৩ °C	১৭.৩০ °C
তমেংলোং	২৫.৬৩ °C	১৯.৭৩ °C
থৌবাল	২৯.১২ °C	২১.২৭ °C
উখুল	১৯.৫২ °C	১৬.৭৩ °C
মণিপুর	২৯.৯৮ °C	১৬.৭৩ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২২.৯৬ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৫
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	79.574887
US Dollar	67.569179
British Pound	90.225714
Australian Dollar	51.280032
Chinese Yuan Renminbi	10.558329
Japanese Yen	0.611775
Malaysian Ringgit	16.924333
Norwegian Krone	8.425782
Singapore Dollar	50.604192
South Korean Won	0.062329
Swedish Krona	7.840834
Turkish Lira	14.577805
Myanmar Kyat	0.04966
Bangladesh Taka	0.80137

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	31593.58
Mumbai	–	Rs	32449.20
Delhi	–	Rs	32299.47
Kolkata	–	Rs	32534.76

HL POLL

Q : Manipur da pakshanna echao thoklibasi leingakna meetyeng changba watpadagini haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Turel gi torban kaiduna meeyam awaba taraga mari leinaba Minister haraoe haibasi yaningba?

Yes 69% No 31%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

নুমিৎ ৩২ নি চথ্নগদবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০১৮ ঙসিদগী মোস্কোদা হৌরগনি

মোস্কো, জুন ১৩ (এজেন্সী) :

মালেমগী খ্বাইদগী চাওরবা ফূটবোলগী কুম্মৈ ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০১৮ ইন্দিয়াগী পুংফমদা হয়েং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ তাবদা মোস্কোদা হৌরগনি।

মালেমগী লৈবাক ৩২ না শরুক য়াগদবা নুমিৎ ৩২ নিগী কুম্মৈ অসি রুসিয়াদা অহানবা ওইনা পাঙথোকপনি। তোঙান-তোঙানবা মখলগী হরাও কুম্মৈ কয়াগা লোয়ননা থৌরম হৌদোক্লবা তুংদা হয়েং যূম্বু ওইরিবা রুসিয়াগা সাউদি অরাবিয়াগা ইন্দিয়াগী পুংফমদা নুমিদাংগী পুং ৮.৩০ দা অহানবা ওইনা থেংনরগনি।

ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহানবা মেটচ যূম্বু ওইরিবা রুসিয়ানা সাউদি অরাবিয়াবু থোইনবা হোৎনগদৌরি। যূম্বু লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিননা শান্নবদা পোলিটিক্স য়াওদবগীদমক ফিফাবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

রুসিয়ানা লৈবাক অদুগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা হয়েংদগী হৌরগা জুলাই ১৫ ফাওবা লৈবাক অদুগী কোনুং মোস্কো, সিটি সেন্ট পিটর্সবর্গ অমসুং সোচি য়াওনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেদিয়ম ১২দা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী মেটচশিং অদু শান্নগদৌরিবনি।

গ্রুপ এদা যূম্বু রুসিয়া, সাউদি অরাবিয়া, উরুগ্বে অমসুং ইজিপ্টনা লম্বা তৌনগদৌরি। মদুগী অহানবা মেটচ অদু মোস্কোনা যূম্বু লৈবাক অসিগা সাউদি অরাবিয়াগা শান্নগদৌরিবা অদুদা রুসিয়ানা মায় পাক্লনবা হোৎনগদৌরি।

পনবা য়াবদি, টিম ৪গী গ্রুপ অদুদা রুসিয়ানা ফিফাগী রেঙ্কিংদা খ্বাইদগী নেম্না লৈবা টিম ওইরি। অদুবু যূম্বু ওইবগী খুদোংচাবা লৌদুনা অতোপ্পা টিমশিং অদুবু অকনবা লম্বা তৌননবা মতম কয়াদগী শেম শাদুনা লাক্লি।

মশামক জুদো শান্নরোয় অমা ওইরকখিবা রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিননা ফিফানা শান্নবগী লমদা পোলিটিক্স য়াওদবা অসিদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, রুসিয়া লৈবাক অসিগী মথক্তা য়ু এস এনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা সেঙ্কসন থমদুনা লল্লোল-ঈতিক অমদি অতোপ্পা লম কয়াদসু লৈবাক অদুগী ওইনা অপনবা থল্লিবনি। সেঙ্কসন লৈরবসু ফিফানা রুসিয়াবু চহী অসিগী ফিফা ৱর্ল্ড কপকী যূম্বু ওইনবা অয়াবা পীরকপা অমদি মখা তারকপা থৌদোক-ৱাথোক কয়া লৈখ্রবসু ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি ফুটবোল মশান্না অসিগী চাওখৎনবা হোৎনবদা ফিফানা পীরকপা মতেংশিং অদু থাগৎপগা লোয়ননা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

কঞ্জুমরশিংদা এল পি জি সিলিন্দর ১২ ফংহনগদবনি : কোর্ট

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস):

কঞ্জুমরশিংদা চহী ১দা সবসিদাইজ তৌরবা এল পি জি (চাকথোং গ্যাস) সিলিন্দর ১২ শোয়দনা ফংহন্নবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসন (আই ও সী) অমসুং গ্যাস দিষ্ট্রিব্যুটরশিংদা য়াথং পীখ্রে।

চহী অমগী মনুংদা কঞ্জুমর অমদা সবসিদাইজ চাকথোং গ্যাস সিলিন্দর ৩/৪ দগী হেন্না পীদবগী চৎনবী শীংনদুনা প্রসান্তা ওইনাম কৌবা মীওই অমনা কুমজা ২০১৭ কী পি আই এল নম্বর ৩৯ গা মরী লৈননা হায় কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিশ জষ্টিশ রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জজ জষ্টিশ কে ঐচ নোবিনগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা য়াথং অদু পীখিবনি। পি আই এল অদুদা পিটিসনর প্রসান্তা ওইনামনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা কঞ্জুমরশিংদা থা খূদিংগী সবসিদাইজ চাকথোং গ্যাস সিলিন্দর অমমম্ হায়বদি চহী ১গী মনুংদা চাকথোং গ্যাস সিলিন্দর ১২ ফংহন্নবা পি আই এল অদুগী রেস্পোন্দেন্টশিং ওইরিবা ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসন, গ্যাস দিষ্ট্রিব্যুটরশিং, মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমসুং বল্ক ট্রান্সপোর্টর এসোসিএসনদা য়াথং পীবীনবা হায়জখি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা কেস অদুগী হিয়ারিং হৌখিবা জুন ৫ দা পাঙথোকখি। পি আই এল পিটিসন অমসুং ওপোজিট পার্টিশিংগী হায়বদি আই ও সী, গ্যাস দিষ্ট্রিব্যুটরশিং, মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমসুং এল পি জি বল্ক ট্রান্সপোর্টর এসোসিএসনগী কাউন্টর এফিদাভিটশিং কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিশ অমসুং জজ অমগী দিভিজন বেঞ্চনা হৌখিবা জুন ৫ দা ওর্দর অমা তাদুনা দিরেক্সন কয়ামরুম পীখ্রে হায়না ঙসি সিনিয়র এদভোকেট টি ঐচ ইবোহলগী চেম্বরগী এদভোকেট এস কামিনিকুমারনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুগী মতুং ইন্না হায় কোর্টকী দিভিজন বেঞ্চনা তাখিবা ওর্দরনা রেস্পোন্দেন্টশিংদা পীরিবা মরুওইবা দিরেক্সনশিংদি, অহানবদা মতম পূম্বদা চহী অমদা কঞ্জুমর পূম্নমক্তা য়ামদ্রবদা সবসিদাইজ এল পি জি গ্যাস সিলিন্দর ১২ ফংহনগদবনি। অনীশুবদা, পীফম থোকপা চাং য়ৌনা পীদবা তারবদি কঞ্জুমরশিংনা দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজর (আর এস) আই ও সী লিমিটেদ, ইম্ফাল দিভিজনেল ওফিস, কোংগ্রেস ভবন বি টি রোদ, ইম্ফাল (৯৪৩৫১০২৫০৮/৮৪১৫৯০৩২১৪) গী ওফিসতা এল পি জি গ্যাস ফংদবগী ৱাকৎপা য়াগনি, অহুমশুবদা আই ও সী অমসুং এল পি জিগী দিষ্ট্রিব্যুটরশিংদা গ্যাস ষ্টোক য়েনবা নুমিৎশিং অমসুং কঞ্জুমরশিংগী অকুপ্পশিংগী ইনফোর্মেসন অদু লমদম অসিগী মীয়ামগী লোল অমসুং ইংলিশ অনীমক্কী লোকল পাউচেশিংদা থা অমগী মনুংদা অনীরক থা অহুম চুপ্না ফোঙনবা খঙহনখ্রে। ইনফোর্মেসন অদু লোকল টেলিভিজনগী স্ক্রোলদা য়াওহন্নবসু রেস্পোন্দেন্টশিংদা খঙহনখি। মসিগী য়াথং অসিনা কঞ্জুমরশিংবু এল পি জি সিলিন্দরশিংগী সপ্লাই শোয়রকপা মতমদা ওঠোরিটিদা ৱাকৎপা য়াহনগনি।

মমাংদদি নেসনল হায়ৱেশিংগী চৎথোক-চৎশিনদা তোয়না অকায়বা পীবা, ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

লন্নাই, লৈঙাক্কী স্কুল পূম্বা ছুটি থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ : ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইরদুনা মণিপুর তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট পূম্নমক্তা লৈবা এইদেদ অমসুং প্রাইভেট য়াওনা মখল খূদিংমক্কী এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিং হয়েং ফাওবা ছুটি থাদোকখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টর টি ঐচ কিরনকুমারনা য়াথং অমা থোকখ্রে। মসিগা লোয়না লোয়ননা ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী পুলিস, ফায়র সর্ভিস, ৱাটর রিছোর্সেস, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র, হোস্পিটালশিং, রেভিন্যু, পি দব্লিয়ু দি, পি ঐচ ঈ দি, ম্যুনিসিপালিটিশিং, দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিং অমসুং এস দি ওগী ওফিস নৎতনা অতৈ লৈঙাক্কী লোইশঙ পূম্নমক ঙসিগী ওইনা ছুটি থাদোকখ্রে। প্রিন্সিপাল অমসুং হেদমাষ্টরশিংনা মীৎশিং-নাশিংনা লৈনবসু খঙহল্লক্লি।

লৈবাক অসিগী মেট্রো সীটিশিংগা ইম্ফালগা দাইরেক্ট ফ্লাইট লৈহন্নবা হোৎনগনি : গভর্ণর

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল অমদি দিল্লিগী দাইরেক্ট ফ্লাইট লৈবা অসিনা চৎথোক-চৎশিন্দা খূদোংচাবা কয়া লৈহল্লি। মেট্রো সীটিশিংগা ইম্ফালগা দাইরেক্ট ফ্লাইট লৈহন্নবা হোৎনগনি হায়না মণিপুরগী গভর্ণর ডো. নজমা হেপ্তুলানা ঙসি হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখিবা গার্লস ইন এভিএসন দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱিমেন ইন এভিএসন ইন্টরনেসনল ইন্দিয়া চেপ্টর অমদি লোকহেদ মার্টিননা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুরগী গভর্ণর ডো. নজমা হেপ্তুলানা হায়খি, প্রোফেসনগী ৱাহৈশিংদা নুপা-নুপীগী খেন্নবা মওংদা থোল্লোইদবনি। প্রোফেসন হায়বসি প্রোফেসন অদুগী মিংদা লৈগদবনি। নুপীশিংনা হৌজিক তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা থবক তৌবা ঙম্লি। নুপী ওইবীশিংনা তোঙানবা ফিল্ডশিংদা নীংথিনা ট্রেন তৌদুনা হৈ-শিংনবা হোৎনবা তাই। এভিএসনগী লম্দসু নুপী ওইবীশিংনা শীংথানিংঙাই ওইবা থবক কয়া লৌখৎলক্লি। কুমজা ১৯৭০গী মমাংদদি ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

নাগা তাবা মফমশিং পুনশিনবা ওইথোক্লোই : নৈফিয়ু রিও

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস):

হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা নাগা তাবা মফমশিং পুনশিনবা ওইথোক্লোই হায়না নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর নৈফিয়ু রিওনা ফোঙদোকখ্রে।

এন ঈ-লাইবকী রিপোর্ট মতুংইন্না, নাগা তাবা মফম পুম্নমক এদমিনিষ্ট্রেটিব প্লেটফোর্ম অমগী মখাদা পুনশিনবা ওইথোক্লোই হায়না রিওনা অহানবা ওইনা ফোঙদোকখিবনি। রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না মহাক্না হায়খি মদুদি, নাগা তাবা মফম পুম্নমক পুনশিন্নবা থৌরাং লৌখৎপদা অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটশিং চেন্নগদবা লৈবনা মরম চাবা থৌরাং ওইরবসু থবক ওইনা পায়খৎপদা ৱানা থোক্কনি। মতম কয়াগী মমাংদগী নাগা তাবা মফমশিং পুনশিন্নবা ৱাফম তকশিন্দুনা লাকখিবা মরম্না নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি য়াম্না মরুওইনা লৌনরি।

অমরোমদা, রিওনা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল য়ানিংদবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না হায়খি, নাগালেন্দদা ইন্নর লাইন পর্মিট অমসুং কন্সটিট্যুসনগী আর্তিকল ৩৭১-এ হান্নদগী চৎনদুনা লৈরিবা মরম্না ষ্টেট অসিদা মতিক চাবা ঙাকলৌ পীরি। ফিভম অসিদা সিটিজনসিপ বিলগী মায়োক্তা লেপ্পুবগী মথৌ তাদে হায়রি।

পনবা য়াবদি, আই-এমনা নাগাগী নিং-খা তম্বগী ৱাফম ফোঙদোল্লুম্মী। মতুং তারকপদা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা খুন্দারিবা নাগাশিং এদমিনিষ্ট্রেটিব য়ুনিট অমগী মখাদা পুনগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরকখি।

অস! লোইরেহে!

ইচাবু লেম্না থবক হাপ্পীবা থাগৎ...!

ꯏꯆꯥꯕꯨ ꯂꯦꯝꯅꯥ ꯊꯕꯛ ꯍꯥꯞꯄꯤꯕꯥ ꯊꯥꯒꯠ...!



দ্রামা মতেকসিগী দিরেক্টরদু কনা ওইরিগবা, থাগৎনিংখ্রেদা...!

ꯗ꯭ꯔꯥꯃꯥ ꯃꯇꯦꯛꯁꯤꯒꯤ ꯗꯤꯔꯦꯛꯇꯔꯗꯨ ꯀꯅꯥ ꯑꯣꯏꯔꯤꯒꯕꯥ, ꯊꯥꯒꯠꯅꯤꯡꯈ꯭ꯔꯦꯗꯥ...!

ঈচাওনা এ আই আর ইম্ফালগী থৌরম শন্দোক্লুদ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা চেক্কোনদা ইম্ফাল তুরেলগী তোর্ব্বান কায়দুনা ঈশিং চেনশিল্লকপদগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী ওফিস থুমজিনখ্রে। থৌদোক অসিনা মরম ওইরদুনা ঙসি অয়ূক পুং ৬.৪৬ তগী নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৬.৩০ ফাওবা কংলা অমসুং সঙাই চেন্নেল অনীমক্কী থৌরমশিং শন্দোকপা লেপ্পুরে। অদুমকপু নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৬.৩০ ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

HL-P/4002/10,12,14,16,18,19,20/06-06/07(alt)

Aptech LEARNING
Unleash your potential
IMPHAL CENTRE
YAIPHAKOL Building
Singjamei Parking
www.aptechlearning.com
7085440528
Available Courses
Air Hostess (Cabin Crew)
Airport Ground Staff
Travel & Tourism Management
Hospitality Mgmt.
SPOKEN English (Speech, interaction).
Certified COMPUTER Courses.
MS Office, C, C++ programming.
Website Development (HTML5/php).
FACILITY :
In-house Airport Operation Training
Lowest FEE
Get TRAINED Get HIRED
Our Potential Recruiter :
30 Years of experience | 40 Countries | Imphal or Mumbai, we maintain the same Quality

HL-B/4691/13/06-13/07

Instant TV Loan Opportunity
for
WORLD CUP
2018
Get Low Price for Direct Purchase
And also available :-
VEHICLE LOAN / SERVICE LOAN
PENSION LOAN / GOLD MORTGAGE
AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung B.O. M.G. Avenue,Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in